# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


থাংমৈবন্দ পাম্থোংবী লম্পাক্তগী নৈকালোং তাবা লম্বীদা থাবা কোয়লাস মপাক-মপাক ফক্কৎলকপগী মায়োক্তা মফম অদুগী মীয়াম্না কোয়লাস থাবা থিংবগী শক্তম



এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন দুনা জন্যুৱারী ৩১ দা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেগা এসে কম্পিটিসনগী মনা-মথুম য়েন্থোকপা থৌরমগী শক্তম




ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা মণিপুর রুরেল বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা চথখিবা ফাইনান্সিএল লিটরেসি এৱারনেস কেম্প চথবগী শক্তম




কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী লুচিংবা ওইরম্বা ফৈরোইজম পরিজাৎকী মীতম চলৌদা লৈবা ইরাবত পার্কতা হাংদোকপা থৌরমগী শক্তম




Vol. 39, Issue No. 350 | নিংথৌকাবা, ফাইরেল ২৮নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Monday, March 07, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৬.৩৩°c | ১৪.৬১°c |
| চান্দেল | ৩২.১০°c | ১৫.১৪°c |
| সীসীপুর | ২৭.৩৫°c | ১২.২৪°c |
| ইম্ফাল | ২৪.৯১°c | ১২.৪৫°c |
| সেনাপতি | ২৬.৬৬°c | ১২.৩৭°c |
| তমেংলোং | ২৭.৭৪°c | ১৩.৫৯°c |
| থৌবাল | ২৮.০৪°c | ১৪.৬৯°c |
| উখ্রুল | ২০.৭৪°c | ১৬.২০°c |
| মণিপুর | ৩২.১০°c | ১১.৯৯°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০০.৫৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৬
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ : নীল্লমনি খুরাইজম্না ইবা নুংশি মশুংলোং হায়না মিংথোননবা নোবেল অমা বেঙ্গলি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক এদিসনদা নম্লগা ঙসি হিন্দি পরিষদকী হোলদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদু অরিবম কুমার শর্ম্ম (সাহিত্য একাদেমী প্রাইজ)না চীফ গেষ্ট, বি এম মাইস্নাম্বা (সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী)না প্রসিদেন্ট ওইখি। ডা. শরৎচন্দ্র লোংজাম্বনা লাইরিক মশক তাকখি।

## ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ : ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা শৌগ্রাকপম রাজেশ (৪৭)কী ময়ুম মনাক্তা হেন্দ গ্রেনেদ থমজিল্লম্বা অমসুং হান্না ত্রিনামুল কোংগ্রেস য়াওরম্বদগী হৌজিক্লা বি জে পিগী মেম্বর ওইরিবা য়ুম্নাম খেমচান্দ (৫৬) গী য়ুম্নাম লৈকায় লাইরেম্বী মনিংদা লৈবা য়ুমগী কোন্থোংদা বোম থমজিল্লম্বগী মায়োক্তা মখোয়-মখোয়গী লৈকায়গী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্লখ্রে। কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা লৈবা এলাংবম তোতোগী য়ুম ময়াদা বোম পোকখায়হনখিবা থৌদোক অদুসু য়ানিংদবা ফোঙদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

## চেন্নবা মীওই ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ : কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চন্দোলপোকপী খুন্দা চহী ১০ রোমতা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা ষণ থিবা থোকখিবদগী অশিবা হকচাং ওইনা উকূ অমগী মখোঙদা ফংখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা নুপীমচা অদুগা থোকমিন্নখিবা নুপামচা অমা পুলিসনা থা অসিগী ২ দা ফারগা ওবজার্ভেসন হোমদা থমখ্রে।

## সেমিনার পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ : নেসনল ইনভাই-রোনমেন্ট এৱারনেস কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জ ইন মণিপুর হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা কংলৈ ৱিমেন সোসাইটি মণিপুর অমসুং আর আর এ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্কদৌরি।

## দিস্পোজ তৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ : সন্ত্রাম পন্থক লৌকোলদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা শিরগা লৈরম্বী নোংমাইথেম ওংবী মেমিচাগী হকচাং ঙসি ফাওবা ইমুং-মনুংগী মীনা লৌদনা জেনিমসকী মোর্গতা লৈরি। মরী লৈনবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ক্লেম তৌরদ্রবদি হয়েং লোগী মতুং ইন্না দিস্পোজ তৌরগনি হায়না থৌবাল ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জনা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুরনা ম্যান্মারগী তামুদা থা অসিদগী মৈ পীবা হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):

ম্যান্মার ওথোরিটিনা লৈবাক অসিগী বোর্দরদা লৈরিবা তামু টাউনগী মীয়াম্না শীজিন্নবা মৈ মেগাৱাট ৩ রোম পীবীননবা মতম শাংনা তক্লুনা লাকপদু থা অসিগী মনুংদা মৈ পীবা হৌরগনি, মসিগীদমক মথৌ তাবা থৌরাং পুন্নমক লোইশ্রে।

ম্যান্মারদা মৈ পীবদা ওঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা পাৱর প্রোসেস এগ্রিমেন্ট মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিবুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) অমসুং তামু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি (টি দি সি) লুচিংবশিংনা থা অসিগী ৫ দা তামুদা লৈবা দি সীগী মীটিং হোলদা উনদুনা খুৎয়েক পীনখ্রে।

এম এস পি দি সি এলগী মায়কৈদা কম্পনি অসিগী একজিকুটিব দিরেক্টর (টেক্নিকেল) এল প্রিয়োকুমারনা মহুৎ শীল্লগা খুৎয়েক পীখি। ম্যান্মারগী মহুৎ শীল্লগা তামু ইলেক্ট্রিক কম্মিটিগী চেয়রমেননা মহুৎ শীনখি। এম এস পি দি সি এলগী মীহুৎ কাঙবু অদুদা জেনরেল মেনেজর এল জয়চন্দ্র, জাদুমনি, মোরে সব-দিভিজনগী মেনেজর লেটখোমাং হাওকিপ, এম এস পি দি সি এলগী পাৱর প্রোসেস এন্দ সপ্লাইগী মেনেজর টি জাংগোগিন খোংথাংনচিংবা শরুক য়াখি। তামু ইলেক্ট্রিক কম্মিটিগী মায়কৈদা য়ুনিয়ন ওফ ম্যান্মার ইন্দিয়া বোর্দর ট্রেদ চেম্বর ওফ কম্মর্সকী মীহুৎ হলামুং, মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (তামু), জেনরেল মেনেজর ইলেক্ট্রিক সপ্লাই ইন্টরপ্রাইজকী



এদিসনেল দি সী তামুসু শরুক য়াখি হায়রি।

পাৱর প্রোসেস এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবা পাউনা হায়, ম্যান্মারনা ইন্দিয়াদগী ইলেক্ট্রিক সপ্লাই পীবীনবা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ৩০ অমসুং চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৯দা দিল্লিদা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা য়ানখিবা মতুংইন্না ম্যান্মারগী তামুদা পাৱর প্রোসেস এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবনি।

এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৫ দগী মৈ পীবা হৌনবা ৱাফম য়াওজরবসু মণিপুরনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা মৈ ফংহনগনি হায়বগী থাজবা ম্যান্মার ওথোরিটিদা পীখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারদা মৈ পীবগী মতাংদা এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর এল জয়চন্দ্রনা পাউচে অসিদা হায়, ম্যান্মারগী টাউন মনুংদা মৈ পীগদৌরিবসি য়েংলগা মোরেদা ৩৩/১১ কে ভি সব-ষ্টেসনদগী ম্যান্মারগী বোর্দর ফাওবগী লাইন তিংবা লোইরেদো। ম্যান্মারদা মৈ পীননবগীদমক লাইন তিংনবা অমসুং অতৈ থবক থৌরমশিং পায়খৎপা মোরেগী মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু।

পনবা য়াবদি, ম্যান্মারগী সগাং রিজনদা ইন্দিয়াগা খুৎশম্নরগা ম্যান্মারদা থর্মেল পাৱর প্লান্ট অমা শেমগৎননবা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ৪ দা য়ানখিবা লৈখ্রে। থর্মেল পাৱর প্লান্ট অদুসু অথুবা মতমদা হৌননবা মথৌ তাবশিং পায়খৎপা লৈবাক অনীনা য়ানখ্রে।

# ইবোবী লৈঙাক চহী ১৪ মপুং ফাখ্রে

## লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা থবকশিংগী লিষ্ট ফাওবা ফোঙখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রকপা ঙসি চহী ১৪ মপুং ফাখ্রে, হয়েংদগী চহী ১৫ চঙবা হৌরগনি। অদুবু, লৈঙাক্লা চহী ১৪দা পায়খৎখিবা শীংথাবা য়াবা থবকশিং করিনো হায়বা মীয়ামদা খঙহন্ননবা চেজেৎ অমা ফাওবা থোকখিদ্রে।

১০শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা সীট ৪২ ফংদুনা সেক্যুলর প্রোগ্রেসিব ফ্রন্টকী অহুমশুবা টার্মগী মরায়বক লেপখি। কুমজা ২০০২গী মার্চ ৭ তা ওক্রম ইবোবী অহুমশুবা টার্মগী লৈঙাক পুননবা ৱাশক লৌখি। মমাঙদা টার্ম অনী মায় পাক্লা লৈঙাক পুখ্রবা তুংদা অহুমশুবা টার্মগী চহী ৪ ঙসি মপুং ফারে।

নুমিৎ অসিদগী পাবা তারবদি ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল থেংলবদা মথং চহী ২০১৭কী ফেব্রুৱারী থাদদি পাঙথোক্তবা য়ারোই। মরম অদুনা অনৌবা লৈঙাক অমগী মরায়বক লেপকদবা মীখল চহী ফাদ্রে।

শাংলবা চহী ১৪ অসিদা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক করি-করি চাউখৎ থৌরাংগী থবক তৌখিবগে হায়বসি অচৌবা থৌরম অমা পাঙথোক্লগা মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদা তৌনৈ। অদুবু, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক্তি চহী ১৪ অসিগী মনুংদা তৌখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিংগী মতাংদা থৌরম পাঙথোকপদি লায়রদনা চেরোল অমা ফাওবা থোকখিদ্রে।

১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলগী ভোট খোম্বমক নৎত্রবসু লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মীখল থেংনগনি হায়না খল্লিবা লৈঙাক অসিনা চহী ১৪ মপুং ফারকপগী থৌরম ফাওবা পাঙথোকপা ঙমখিদবসি লৈঙাক্তা অহোবা লৈবদগীরা নৎত্রগা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎহৌদবগীরা হায়বা ৱাহং হংনরক্লে।

খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা অমা হায়বা তারগদি, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মণিপুরগী মীয়ামদা মহাক্লা চহী ১৪ লৈঙাক্লকপদা মতেং পাংবীবগীদমক থাগৎফম থোকপদুসু তৌখিদ্রে। অসিগুম্বা মখলগী থৌরমশিং অসি চহী অমা ফারকপা খুদিংগী হেক-হেক তৌরম্বা অদুসু তোকখিবা কুইখ্রে। মরম অদুনা মীয়াম্না লৈঙাক অসি থবক তৌরিব্রা নৎত্রগা তৌদব্রা হায়বগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমদ্রে।

মশক মমিং তাকথোকহন্নীংদবা কোংগ্রেস এম এল এ অমনা হায়, লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া তৌরি হায়বসি মীৎনা উনরবা ঙাক্তনি। মীৎনা উদবা মফমশিংদা পায়খৎলিবশিং, চীং অমসুং তম অনীগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী হেনগৎহন্নবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং, ইম্ফাল সহরগী মরুওইবা লম্বীশিং পাকথোক্ত্রিঙৈগী শক্তম অমদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি চাংদম্লনবা ফোটোগ্রাফশিং খোমজিল্লগা মীয়াম তিনবা মফমদা থেৎলগা খঙহনবগী কান্নবদুদি লৈঙাক অসিনা লৌহৌদ্রে হায়বা তাই। অদুবু, নুমিৎ খরনিসিগী মনুংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংগনি।



ফোটো : ঈ-পাউ

# ফিল্ম মেকর ইপূ ফূরম্বগী মায়োক্তা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথরি




ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):

ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা এম রঘুমনি এলাইজ ইপূবু তমথীনা ফূদুনা থা অসিগী ২গী অহিংদা লমদেং চীঙ্গোলদা হুন্দোক্লম্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসিসু ফিল্মগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা মখা তানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

শিংজমৈ কৈথেলদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা ফিল্ম ফোরমগী চ্যেরমেন লাইময়ুম সুর্য্যকান্তনা হায়খি, ফিল্ম ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বতা নৎতনা মণিপুর ফিল্মগী শক্লাইরবা দিরেক্টর ওইরিবা এম ইপূবু শকখঙদবশিংনা তমথীনা ফূদুনা হুন্দোক্লম্বগী থৌওং ফোরম্না হকচিন্না লৌই। থৌওং অসি কনানা অমসুং করম্বা লুপনা করি মরমগীদমক চথুবনো হায়বা অথুবা মতমদা শেংদোকপীরকউ। ফিল্ম তৌদুনা চম্না হিংজরিবা মীওই অমদা অসিগুম্বা শাজৎ চৎপা হায়বসি য়ানিংদে।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং চয়োল অমগী মনুংদা পুথোকপীনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা থমখ্রবসু ঙসি ফাওবা পুথোকপীদবা অসি লাইবক থীবনি। অথুবা মতমদা মরাল লৈবশিংবু ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু।

হৌখিবা থা খরগী মমাঙদগী লালহৌলুপ এন আর এফ এমনা শেলগী দিমান্দ তৌরকপদগী মণিপুর ফিল্ম উৎপা অমসুং শুটিংনচিংবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা লাক্লিবনি। মরম অদুনা ইপূ ফূরম্বদা চেন্নরিবা মীওইশিং পুথোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি। লোয়ননা ফিল্মগা মরী লৈনবা থবকশিং লেপখিগনি। লোয়ননা ইপূ ফূবদা চেন্নবশিং পুথোকপীনবা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইপূ শকখঙদবা মীওই মঙানা ময়ুমদগী ফারগা পুরবা তুংদা তপ-তানা ফূরগা হুন্দোক্লম্বনি।

# 'মহৈরোয় থিনবা লেপ্পকপা য়াই'

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ : মহৈরোয়শিং থিনবগী সার্ভিস তৌরিবা ভেনশিংদা অঙাং পুবগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী গাইদলাইন পুশিল্লগা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবশিংগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর অমসুং লাইসেন্স ফাওবা কক্কনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্ট'স ট্রান্সপোর্টর এসেসিএসননা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এসোসিএসন অসিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মমাঙদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকা এসোসিএসন অসিগা কয়ারক অঙাং কয়া পুগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। অদুবু মখা তাবা করিগুম্বা অমত্তা খঙহনবীদনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং

...মখা লামায় ৩ কলম২

# 'আর্টিষ্টশিং য়োকখৎসি হায়রদি মখোয়বু শৌগৎপীবা তাই'

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):

লমদমসিদা লৈরিবা আর্ট ফোর্ম খুদিংমক্কী আর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎসি হায়রবদি মখোয়বু হীরম খুদিংমক্তা শৌগৎপীবা মথৌ তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি নেসনল স্কুল ওফ ড্রামা, দ্যু দিল্লিনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শমুশঙদা লৈবা শ্রাইন প্লে হাউস, কোরস পর্ফেকচরদা ঙসিদগী হৌদুনা চথুগদবা নেসনল থিয়েটর ফেষ্টিভেল, ২০১৬ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল স্কুল ওফ ড্রামা, ন্যু দিল্লি, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং কোরস রিপর্টরিগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ১২ ফাওবা চথুগদবা ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা



মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা মখা তাখি, মণিপুর অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী কাচিনদা লৈবা অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু মশাগী ইনাকখুনবা কলচরেল হেরিটেজ ৱাংনা লৈজবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিগী কলচর অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মালেমনা মশক খঙলিবনি। অসিগুম্লবা ষ্টেট অসিদা নেসনল স্কুল ওফ ড্রামানা শীন্দুনা নেসনল থাক্কী ওইবা থিয়েটর ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোকপা ঙম্বা হায়বসি চাউথোকচনিংঙাইনি।

মহাক্লা মখা তাখি, মতম অমদা থিয়েটরগী লম্দা থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুরদা মফম চাউনা কল্লল্লবসু ঙসিদি মমি শাল্লকপগুম তৌরক্লে। মমি শাল্লক্লবা থিয়েটরগী খোঙজেল অমুক হন্না কনখৎহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং চঙই। হৌজিক্তি মণিপুরদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা লিংদুনা আর্টিষ্টশিংদা কান্নবা পীগদবা কলচরেল পোলিসি অমা থুনা শেম্লবা থবক য়াংনা পায়খৎলি। মসিনা আর্টিষ্টশিংদা তোঙান

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইম্ফাল-কাঙচুপ-তমেংলোং লম্বী ক্রোর ১২০০ চঙনা শেমগৎলগনি : রতন কুমার

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):

এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ( এ দি বি)কী শেন্থং মখাদা ইম্ফাল-কাঙচুপ-তমেংলোং লম্বী লুপা ক্রোর ১২০০ চঙনা শেমগৎলগনি, লম্বী শেম্বগী থবক হৌনবা হয়েং লমথারগনি হায়না ৱার্কস মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতন কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা য়ুনিট কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা ঙসি ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা ৱার্কস মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতন কুমারনা হায়খি, ইম্ফাল-কাঙচুপ-তমেংলোং লম্বী শেম্বগী থবক হয়েং চীফ মিনিষ্টরনা লমথারগনি। লম্বী অসি এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থং মখাদা পায়খৎকদবনি। লুপা ক্রোর ১২০০ রোম চঙনা পায়খৎকদৌরিবা লম্বী অসি মপুং ফানা লোইশিল্লকপা মতমদা চৎথোক-চৎশিনদা য়াম্না খুদোংচারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱার্কস মিনিষ্টর রতন কুমারনা মখা তারদুনা হায়খি, ষ্টেটসিদা চাউখৎ থৌরাংগী লম্দা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্ন-বগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি। লম্বী-থোং হায়বসি চাউখৎ থৌরাংগীদমক য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। ষ্টেটসিদা মৈগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্তুনা অহোংবা কয়া লাক্লে। প্রিপেদ মিটর পাক শন্না পানবগী থবক চথরি। পুং ২৪ মৈ পীবা ঙম্নবগী টার্গেট তৌদুনা খোঙথাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। অনা লায়েংগী লম্দসু খুমাঙ চাউশিন্ননবা মীৎয়েংশিং থম্লি।

ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক মীৎয়েং কয়াসু চঙই। মীওইবনা নুংঙাইনা হিংনবগীদমক হকচাং ফনা লৈবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মহৈ-মশিন অমদি অনা লায়েংগী লম্দা মীৎয়েং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

# মেটা লাইফটাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ ২০১৬ রতন থিয়ামদা পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

মহিন্দ্র এক্সেলেন্সি ইন থিয়েটর এৱার্দনা লান্থোক্কদবা লেমজনিংঙাই ওইরবা লাইফটাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ ২০১৬ মমিং লৈরবা প্লেরাইট অমদি দিরেক্টর ডো. রতন থিয়ামদা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

থিয়েটরগী অনৌবা মশক অমদি তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্ম কয়াবু য়োকখৎনবা হোৎনদুনা দিরেক্টর, রাইটর, কম্পোজর, দিজাইনর অমদি কোরিওগ্রাফর ওইনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু শীংথাদুনা এৱার্দ অসি লান্থোক্কদবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ৫ য়াওরি। মমাঙদা এৱার্দ অসি জোরা সেহগল, বাদল সরকার, ইব্রাহিম অলকাজি, খালেদ চৌধুরি অমদি গিরিস কর্নাদতা পীখিবা লৈখ্রে। এৱার্দ অসি লাক্লিবা মার্চ ১১দা তাজ হোটেল, ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

# প্রেস ষ্টিকর গাইখাঙমনা লোঞ্চ তৌখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না দিষ্টিঙ্কটিব প্রেস লেভেল ষ্টিকর লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, গাইখাঙম্না চীফ গেষ্ট, অমজুগী প্রসিদেন্ট, ৱাংখেমচা শমজাইনা প্রসিদেন্ট অমসুং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, এল এম খৌতে অমদি আই জি পি, ক্লে খোংসাইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা গাইখাঙম্না হায়খি, খুন্নাই অসিদা প্রেসকী থৌদাং য়াম্না মরু ওই। মীয়াম্না করি খল্লি অমসুং ওথোরিটিনা করি তৌরি অমদি গভর্ণমেন্ট করি পাঙথোক্লি হায়বসিগী মরক্তা পাউ ফাউদোক্লবগী থৌদাং মেদিয়া/প্রেসনা লৌরি। মরক-মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টগী থৌমীশিং থবক লেপ্পগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা মরুওইবা দিপার্টমেন্ট অমসু ওইরিবা ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টগী হেদ ওফিস য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী ওফিস ১৪ গী ষ্টাফশিং থা ৩গী তলব পীদবগী মায়োক্তা পুল্লপ থবক লেপ্নবা শেম শাবা লোইখ্রে।

পাউ-চে অসিনা ফংবা পাউদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা চহী অমগী মনুংদা ইন্সটোলমেন্ট মরিদা পীরকপা গ্রান্ট-ইন-এইদকী শেনফমদগী দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তলব পীদুনা লাকপনি। অদুবু কুমজা ২০১৫-১৬ গী ওইনা দিসেম্বর ২০১৫, জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী ২০১৬গী থা অহুমগী তলবকী ওইনা পীফম থোকপা শেনফম পীবগী মহুৎতা দিসেম্বর থা খক পীগনি হায়বা ৱাফমসি ইমপ্লোয়শিংনা য়াবা ঙম্লোই। করিগীদমক থা ৩গী তলব পীথোক্তনবা হোৎনবনো হায়বদু দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর, দি দি ও অমসুং একাউন্টেন্টনা মীয়াম খঙনা চয়োল অমগী মনুংদা শেংদো-রক্কদবনি। করিগুম্বা চয়োল অসিগী মনুংদা শেংদোক্তুবদি শিন্মী খুদিংমক্লা থবক লেপ্পগী মথক্তা দিপার্টমেন্টগী ওইবা থবক থৌরম খুদিংমকসু থিংগনি হায়না পাউসিনা হায়রি।

থবক লেপ্পবা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরিবা ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টগী হেদ ওফিস, দি এফ দব্লিয়ু ও ইম্ফাল ৱেষ্ট, দি এফ দব্লিয়ু ও ইম্ফাল ইষ্ট, দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবাল, রিজনেল হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র ট্রেনিং সেন্টর, ইম্ফাল, দি এফ দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর, দি এফ দব্লিয়ু ও জিরিবাম, দি এফ দব্লিয়ু ও চুড়া-চান্দপুর, দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসর উখ্রুল, দি আই ও সেনাপটি, দি আই ও কাংপোকপী, দি আই ও চান্দেল, দি আই ও তমেংলোং অমদি ফেমিলি ৱেলফেয়র মেদিকেল ওফিসর মোরেনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিস ১৪ অসিগী গ্রেদ-থ্রি অমসুং গ্রেদ-ফোর ইমপ্লোয়ীশিংগী ওইবা অপূনবা লুপ ওল মণিপুর ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা হায়র ওথোরিটিশিংনা ইমপ্লোয়শিংগী খন্দবা থৌওংবু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা থবক লেপ্পবগী খোঙথাং অসি লৌখিবনি হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনগী মখাদা চহী অমগী ওইনা ইন্সটোলমেন্ট ৪ থোক্লা গ্রান্ট-ইন-এইদকী শেনফম থাদরকপনি। মমাঙদা ইন্সটোলমেন্ট অমমম্দা লুপা লাখ ৫০৫.৮৪ পীদুনা চহী অমদা লুপা ক্রোর ২০২৩.৬৫ পীরম্বদগী লুপা লাখ ৩৩৬.১৯ কক্থরগা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফমসি লুপা ১৬৮.৬৫ ওইদুনা লুপা ক্রোর ৬৭৪.৬০ দা হন্থনা পীথরক্লিবসি করিগীনো হায়বদু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা ইমপ্লোয়-শিংদা খঙহন্দনা থম্লি। মণিপুর গভর্ণমেন্টগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট অমদি ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টগী দিরেক্টর অমদি কম্মিস্নারনা চয়োল অমগী মনুংদা হীরমসিগী মতাংদা খঙহনবিনবা ৱাফম থম্লক্লি।


হীরমসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট খঙহনবা ঙমদ্রবদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা চেরোল অমা থাননবা থৌরাং তৌরে। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওথোরিটিশিংনা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম তৌনিংবতা তৌবা অসিনা ইমপ্লোয়শিংদা পুক্লিং হন্থহন্নবা মচাক ওইরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরদা পাউচে অসিনা হংবদা হীরমসিগী মতাংদা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিগী তলব পীবসি ইনি দয়া গভর্ণমেন্টনা থা ৩/৩গী ওইনা ইন্সটোলমেন্ট ৪রক্তা গ্রান্ট-ইন-এইদ ফোর

...মখা লামায় ৩ কলম ১

**অস! লোইরেহে!**

হেক উবদা ফূনিংবা অঙাং লৈরে...!



ফূনিংবা শক্তা তারিদু ভি আই পিগী মচা ওইরম্লদৌনি, তৌরুনু...!


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২